প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

হনোই, জুলাই ০২, (এজেন্সি) : সাউথ চাইনা সীদা পাঙথোকপা মিলিটরি দ্রিলশিংগা মরী লৈননা ভিয়েটনামগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা চাইনাদা কমপ্লেন তৌখিবগা লোয়ননা থৌওং অদুনা বৈজিংগা এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিঅন)গা লৈনরিবা মরীদা অকায়বা থোকহনগনি হায়খ্রে।

চাইনানা কোরোনাভাইরস পান্দমিক্কী মরুমদা য়েৎনরিবা ঈশিং লম্বী অদুদা মিলিটরি এক্তিভিটিশিং কনখৎলকপদগী হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা রিজনেল সম্মিট অমদা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী সিক্যুরিটিদা লেপ্পুনা কায়রক্লে হায়না ভিয়েটনাম অমসুং ফিলিপিন্সনা চেকশিনৰা ফোঙদোকখিবনি। চাইনানা পরাসেলসকী অকোয়বদা মিলিটরি দ্রিলস পাঙথোক্লিবসি ভিয়েটনামগী সোভরেন্টি খোঙ্গাওনৈ অমসুং মসিনা লমদম অসিগী ফিভম হেন্না লুশিলহনগনি হায়না ভিয়েটনামগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

ম্যান্মারগী জেদ মাইনদা লেন্দস্লাইদ থোক্তুনা ৰর্কর ১১৩ শিরে

য়াঙ্গোন, জুলাই ০২ (এজেন্সি) : নোং কন্না চুবদগী ম্যান্মারগী অৰাং থংবা লমদমদা লৈবা জেদ মাইন অমদা লেন্দস্লাইদ থোকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১১৩ শিখিবগা লোয়ননা মীওই কয়া অমা লৈখোম লৈনাং মপৈ মরক্তা ফুমজিল্লম্বা য়াবগী মীপাইনবা লৈরে হায়না ওথোরিটিশিংনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

কন্না চুখিবা নোংগী ঈশিংনা চেন্থরকখিবা মাইনিংগী লৈবাক মপৈশিংনা অথেনবা পাৎ অমদা মমল য়াম্লবা নুঙশিং খুন্দুনা লৈরিবা ৰর্করশিং খঙহৌদনা চেন্থখিবনি হায়রি।

ফায়র সর্ভিস দিপার্টমেন্টনা ফেস বুক পোষ্ট অমদা হায়খি মদুদি, অৰাং থংবা লমদমগী কাচিন ষ্টেটতা লৈবা জেদ মরাং কায়না ফংবা হাপকান এরিয়াদা মাইনরশিংনা নুঙশিং খুনবগী থবক তৌরিঙৈদা খঙহৌদনা মখোয়বু লৈখোম মপৈশিংনা ফুমজিনখি। রেস্ক্যু ৰর্করশিংনা অশিবা হকচাং ১১৩ লৌখৎখ্রবা মতুংদা মীওই কয়া অমসু থিবা ফংদনা লৈরি হায়না দিপার্টমেন্ট অসিনা ফোঙদোকখি।

ইনফোর্মেসন মিনিষ্ট্রিদা থবক তৌবা লোকেল ওফিসল অমা ওইরিবা তার লিন মাওংনা ফোঙদোকখিবদা অতৈ হকচাং কয়া লৈখোম্না ফুমদুনা লৈখ্রে অমসুং অশিবা মশিং শোয়দনা হেনগৎলক্কনি। ম্যান্মারগী মফম কয়াদগী শেল-থুমদা শোত্থরবা ৰর্কর কয়া থবক শুনরিবা হপকানগী নীংথিনা রেগ্যুলেট তৌদবা মাইনশিংদা শাথিরবা লেন্দস্লাইদশিং অমদি অতৈ এক্সিদেন্টশিং তোয়না থোক্কল্লি। তৌইগুম্বসুং শগোলশেল নুমিৎকী থৌদোক অসি চহী মঙা হেনবগী মনুংদা খ্বাইদগী শাথিবনি হায়না লৌনরি।

কুমজা ২০১৫ দা মাইন অমা নীংখায়খিবগী থৌদোক্তা মীওই ১০০ রোম শিবদগী মাইনিং ইন্দষ্ট্রি রেগুলেসন তৌনবা মায়কৈ কয়াদগী তকশিন্নখি।

হৌখিবা চহী খরা অসিদা মিদিয়ানা মফম অদুদা লেন্দস্লাইদ অমদি মাইন ৰাল নীংখায়বনচিংবা এক্সিদেন্ট কয়া থোক্তুনা মীশি-মীনা কয়া থোকখিবগী রিপোর্ট কয়া ফোঙনখি। ভিক্তিম অয়াম্বা অচৌবা ওপরেটরশিংনা কুপ্পা থিজিন্দবদগী চিথহৌবা মমল য়াম্লবা নুঙশিং তাল্লিবা ফ্রিলান্স জেদ পিক্করশিংনি হায়রি।

সোসল মিদিয়াদা থাগৎনবা ভিদিও ফুটেজনা পাৎ অমদা চেন্থরক্লিবা অমুবা লৈখোম লৈনাং মপৈদগী নাম্থোক্লবগীদমক্তা মীওই কয়া অঙম্বদা মথ্বায় হিংনবা চেনখৎনবগী শক্তম উৎখি। ফোটো কয়াদা অশিবা হকচাং পরেং কয়া চীং অমদা তার্পোলিন্না কুপশিল্লগা থম্বগী শক্তম উবা ফংখি।

ওফিসল দেতাগী মতুং ইন্না ম্যান্মারদা কুমজা ২০১৬-১৭ চহীদা য়ুরো মিলিয়ন ৬৭১ লোমগী জেদ য়োনখি হায়রি।

রসিয়নশিংনা পুটিনদা কুমজা ২০৩৬ ফাওবা লৈঙাকপা য়াবগী রাইট শীন্নখ্রে

মোস্কো, জুলাই ০২, (এজেন্সি) : রসিয়ানশিংনা ব্লাদিমির পুটিনবু মখা তানা টার্ম অনীগী প্রসিদেন্টকী মীখলশিংদা অমুক হন্না মীরেপ ওইবা য়াহনগদবা মওংদা লৈবাক্কী কন্সটিট্যুসন শেমদোকপগী ৰাফম শৌগত্তুনা ভোট পীখিবগা লোয়ননা হৌজিক রসিয়ন প্রসিদেন্ট অসি কুমজা ২০৩৬ ফাওবা পৰার পায়বা য়াবগী রাইট লৈরে হায়রি।

বেলোট মশিং চদা ১০০ থিরবা মতুং শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙখিবা ওফিসল রিজল্টশিংনা রসিয়াবু প্রসিদেন্টনৎত্রগা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা চহী ২০ হেন্না লৈঙাক্লকখিবা হান্নগী কে জি বি ওফিসর অসিনা কুমজা ২০২৪দা লোইগদৌরিবা হৌজিক্কী টার্ম অসিগী মতুংদা মখা তানা চহী ৬কী টার্ম অনী অমগসু পায়বা য়ানবগী রাইট ইরায় লায়না ফংলে হায়বা উৎখি। মসিনা হায়রিবদি, হৌজিক মশাগী চহী ৬৭ শুরবা পুটিন্না মশাগী চহী ৮৩ শুবা ফাওবা রসিয়াবু লৈঙাক্তুনা লৈবা য়াই হায়বসিনি।

সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিসন্না ফোঙদোকখিবদা, মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা লৈবাক অসিদা থাদনখিবা ভোট অপুম্বগী চাদা ৭৭.৯না কন্সটিট্যুসনদা অহোংবা লাকহনবগী ৰাফম শৌগৎখি। শুপ্নগী চাদা ২১.২না কন্সটিট্যুসনদা অহোংবা লাকহন্দুনা পুটিনবু মখা তানা মীরেপ ওইহনবগী মায়োক্তা ভোট পীখি। ওফিসলশিংনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা ভোট অদু ট্রান্সপরেন্ট ওইনা পাঙথোকখি হায়না কম্মিসনগী মকোক ইলা পাম্ফিলোভানা ফোঙদোকখি।

য়ু কেদা লৈবাক ৭৫ দগী লাকপা মীওইশিং ক্বারন্টিন তৌহল্লরোই

লন্দন, জুলাই ০২ (এজেন্সি) : লৈবাক ৭৫দগী তঙাইফদবা মরমশিংগা মরী লৈনদনা বৃটেনদা লম কোয়বা লাকপা মীওইশিং কোরোনাভাইরসকী ক্বারন্টিন রুলশিং ঙাকহন্দনবগী ৰারেপ অমা বৃটিশ গভর্নমেন্টনা য়াম্না থুনা লাউথোরক্লগনি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

দ দেলি টেলিগ্রাফকী রিপোর্টনা হায়, অথুবা মতমগী মনুংদা য়ু কেসনা তঙাইফদবা হীরমশিংগা মরী লৈনদনা ঈ য়ুগী লৈবাকশিং অমদি বর্মুদা অমসুং গিব্রাল্টর য়াওনা বৃটিশ টেরিটরিশিং, টর্কি, থাইলেন্দ, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দদা চৎপদা থল্লম্বা অথিংবা লৌথোক্লগনি। হীরম অসিগী মতাংদা হংবদা, ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা ৰাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।

বৃটেনদা থুংলরবা মীওইশিং কোভিদ-১৯ গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী চেকশিন-থৌরাং ওইনা চয়োল অনী চুপ্পা ক্বারন্টিন তৌহনখিবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনগী গভর্নমেন্টনা করম্না ইন্টরনেসনল ট্রাভেল হাংদোকপা য়াগদগে হায়বগী মতাংদা খন্ন-নৈদুনা লাক্লিবনি। ফ্রান্স, গ্রীস অমসুং স্পেনগুম্বা লৈবাকশিংদগী লাকপা মীওইশিং নুমিৎ ১৪ নিগী ক্বারন্টিন চথহল্লরোই হায়না ইরাই নুমিত্তা বৃটেন্না লাউথোকখি।

জুনিয়র হাউজিং, কম্ম্যুনিটিজ অমসুং লোকেল গভর্নমেন্ট মিনিষ্টর অমা ওইরিবা সাইমন ক্লাকনা ফোঙদোকখিবদা, ট্রাভেলগা মরী লৈনবা গভর্নমেন্টনা ৰাফম খরা লাউথোক্লবা থৌরাং তৌরি।

করিমত্তা অকায়বা থোক্লিংঙাই ওইদ্রে হায়বা হেক খঙলকপগা ঐখোয়না ট্রাভেলগা মরী লৈনবা ৰাফমশিং অসি শোয়দনা লাউথোক্লগনি য়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি, কোভিদ-১৯ পান্দেমিক্কী মরম ওইদুনা চৈথেং চাওনা নংলবা টুরিজম সেক্তর ঐখোয়না অঙম্বা থাক্তা মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিনহনবা পাম্মী। অথুবা মতমগী মনুংদা ঐখোয়না সেক্তর অসিগা মরী লৈনবা অফবা পাউ খরা মীয়ামদা তল্লগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

পুলিসতা থাঙনা থিনখিবনি হায়বা প্রোটেষ্টর অমা ফারে

হোং কোং, জুলাই ০২ (এজেন্সি) : বৈজিংনা হোং কোংদা অনৌবা নেসনল সিক্যুরিটি লো অমা চৎনহন্নবগী মায়োক্তা চথখিবা প্রোটেষ্টশিংগী মনুংদা ওফিসর অমদা থাঙনা থিনখিবা মীশক্লি হায়না চিংনবা প্রোটেষ্টর অমা শগোলশেল নুমিৎকী অঙনবদা হোং কোং পুলিসনা ফানান্সিএল হব অসিগী এয়রপোর্টতগী ফাখ্রে।

চাইনানা নমদুনা চৎনহল্লিবা সিক্যুরিটি লেজিসলেসন অদুবু শীংনদুনা প্রোটেষ্টরশিংনা ইনৌনৌনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা চথখিবা খোঙজং কয়া পুলিসনা ৰাটর কেনন অমসুং টিয়ার গ্যাস শীজিন্নদুনা থুগায়বগা লোয়ননা দেমোনষ্ট্রেটর ৩০০ হেন্না ফাগৎখ্রবা মতুংদা খ্বাইদগী নৌবা প্রোটেষ্টতুগা মরী লৈনবা থৌদোক ওইনা পুলিসতা থাঙনা থিনখিবনি হায়বা মশাগী চহী ২৪ শুরবা মীওই অদু এয়রপোর্টতগী ফাখিবনি।

অমরোমদা, শগোলশেল নুমিত্তা প্রোটেষ্টশিং পাঙথোকপগী মমিশিংদি উবা ফংখিদে। য়ুমশকৈশা নুমিৎকী ইরাংদুগী ভিদিও ফুটেজ খরা পুলিসনা ত্বিটরদা থাগৎলকখি। ফুটেজ অদুদা মপাম্বোদা ঈ থোক্লবা ওফিসর অমনা মহাকপু ইরাং হৌবশিংনা থাঙগুম্বা মচিন তুম্বা পোৎশকশিংনা থিনখিবনি হায়না ফোঙদোকপগী শক্তম উৎখি। ফারবা মীওই অদু হোং কোং থাদোক্লবা হোৎনরিব্রা নৎত্রগা এয়রপোর্টতা থবক তৌবা মীশক্লা হায়বসি কনফার্ম তৌবাঙমদ্রি হায়না পুলিস স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখি।

মিদিয়া রিপোর্ট খরনা মশক মমিং খঙদবা সোর্স খরা পল্লদুনা হায়খি, পুলিসতা থাঙনা থিনখিবনি হায়না চিংনরিবা মীশক অদু অহিং নোংয়াই য়ৌদ্রিঙৈগী মমাংদা হোং কোং থাদোক্লবগীদমক্তা লন্দন য়ৌগদবা কেথে পেসিফিক ফ্লাইট অমদা তোংলম্বনি।

ৰিটনেস অমগী মতুং ইন্না কেথে পেসিফিক প্লেন অমা রেনৰেদগী পাইখৎনবা শেম-শারিঙৈদা পুলিসকী গাড়ি অহুম গেট তম্না থৌজিল্লকখি অমসুং রাইওট পুলিস পর্সনেল ১০ রোম এয়রকাফট অদুদা কাখৎখি।

বোর্দরদা মুক্নরিঙৈ চৈরক্তা ইন্দিয়ানা ফাইটরশিং লৈগদৌরি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০২ (এজেন্সি) : বোর্দরদা চাইনাগা উংখৎনদুনা লৈরিঙৈ চৈরকসিদা মিগ-২৯ ফাইটর এয়রক্রাফট ২১ লৈবা, মিগ-২৯ ফাইটর ৫৯ অপগ্রেট তৌবা অমদি সু-৩০ এম কে আই এয়রক্রাফট ১২ অমগসু লৈবগী প্রপোজল অমা শগোলশেল নুমিত্তা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা এপ্রুভ তৌখ্রে।

লৈবাক্কী বোর্দরশিংবু য়েক্লবগী থৌওংশিংদগী ঙাক-শেন্নবা আর্মদ ফোর্সেসপু হেন্না মতিক ময়াই লৈহন্নবগীদমক্তা রাজনাথ সিংহনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা দিফেন্স এক্বিজিসন কাউন্সিলগী মীফম্না সর্ভিস অহুমগী তঙাইফদবা তোঙান-তোঙানবা প্লেটফোর্মশিং অমসুং ইক্বিপমেন্টকী কেপিটেল এক্বিজিসনগী থৌরাং এপ্রুভ তৌখি। চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ৩৮,৯০০ ওইগদবা প্রপোজলশিং এপ্রুভ তৌখি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

রসিয়াদগী মিগ-২৯ ফাইটরশিং লৈবা অমদি অপগ্রেট তৌবা অসিনা লুপা ক্রোর ৭,৪১৮ চাদিং তৌহনগনি অমসুং ঐচ এ এলদগী সু-৩০ এন কে আইশিং লৈবদা লুপা ক্রোর ১০,৭৩০ লোম চাদিং তৌগনি হায়না পান্নরি। ইন্দিজিনস দিজাইন অমসুং দিভলমেন্টতা মীৎয়েং থল্লিবা এপ্রুভেলশিং অসিদা ইন্দিয়ন ইন্দষ্ট্রিদগী লুপা ক্রোর ৩১,১৩০গী ঙাকশেলগী হার্দৱ্যেরশিং লৈবগী থৌরাংশিং য়াওরি। খুৎলায়শিং অসি ইন্দিয়াদা তোঙান তোঙানবা এম এস এম ঈশিংনা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়ন দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিনা শাজরগনি।

প্রোজেক্টশিং অসিগী মনুংদগী খরদা য়াওগদৌরিবা লৈবাক অসিনা পুথোকচবা মচাক-মথুমশিংগী চাং প্রোজেক্ট কোষ্টকী চাদা ৮০ ফাওবা ওইগনি। প্রোজেক্ট কয়া অমদি দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না লৈবাক অসিগী ওইবা ইন্দষ্ট্রিদা টেক্নোলোজি ট্রান্সফর তৌবনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিদা পায়খৎচবা ঙমগদৌরিবনি।

দিফেন্স প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা পীনাকা মিসাইলশিং, বি এম পি খুৎলায় অপগ্রেট তৌবা অমসুং ইন্দিয়ন আর্মিগীদমক্তা রেদিওশিংদা হাপকক্দবা সোফৱ্যেরশিং পুথোকপা অমসুং অশানবা লেন্দ এটেক ক্রুজ মিসাইল সিষ্টেমশিং অমসুং ইন্দিয়ন নেভি অমদি ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী অস্ত্রা মিসাইলশিং য়াওরি। দিজান অমসুং দিভলপমেন্ট প্রোপোজলশিং অসিগী চাদিং লুপা ক্রোর ২০,৪০০কী মনুংদা লৈগনি হায়রি।

ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিপ চেৎশিনহল্লগনি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০২, (এজেন্সি) : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন্না শগোলশেল নুমিত্তা ফোনদা ৰারী শানদুনা হীরম খুদিংমক্তা রসিয়া অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা লৈরিবা অখন্নরবা ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিপ মখা তানা চেৎশিনবগী ৰাফম য়ানখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা প্রসিদেন্ট পুটিনদা ফোন তৌদুনা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা মায় পাকখিবগী ৭৫ শুবা কুমওন-থৌরম মায় পাক্লা পাঙথোকখিবা অমদি রসিয়াগী কন্সটিট্যুসনেল এমেন্দমেন্ট ভোট মায় পাক্লা লোইশিনখিবগা মরী লৈননা হরাও-তয়াম্বা ফোঙদোকখিবনি। ইনিদয়াগা চাইনাগা বোর্দরদা উংখৎনবা ফিভম লৈরিবা অসি য়েংদুনা লুচিংবা অনী ফোনদা ৰারী শানখিবসি মরু ওই হায়না লৌনরি।

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

NOTIFICATION
Imphal, the 2nd July, 2020.

No.3(I)/15/2008-HSC(Vol-V): It is, hereby, notified for information to all concerned that those desirous students who have passed the HSLC/Class-XI or equivalent examination from recognized Boards/Councils/Universities other than Board of Secondary Education, Manipur and seeking admission in Class-XI and Class-XII in any institution under the Council in the current academic session, 2020-2021 are to apply for obtaining Eligibility Certificate from this Council prior to their admission.

The prescribed application form for obtaining the Eligibility Certificate can be had from the office of the undersigned on payment of a non-refundable application fee of Rs.100/- , Eligibility Certificate fee of Rs.1,500/- and verification fee along with postal charge of Rs. 1000/- from 10:00 a.m. to 2:00 p.m. on all working days with effect from 03-07-2020 to 27-08-2020.

The last date of submission of duly filled in application form along with the necessary documents at the office of the undersigned is 31-08-2020.

Further, no student should be admitted in Class-XI & XII by the concerned institutions without Eligibility Certificate and it will be the sole responsibility of the concerned head of the institution if such students are admitted without obtaining the aforesaid Eligibility Certificate within the stipulated time.

Sd/- Ch. Biren Singh
Secretary, Council of Hr. Sec. Edn., Manipur

HL-B/6248/03

সী বি সী আই দিনা পুলিস ৫ ফারে

চেন্নাই, জুলাই ০২, (এজেন্সি) : টামিল নাদুদা পি জেয়েরাজ অমসুং মহাক্কী মচানুপা জে বেন্নিক্স হাৎখিবগী থৌদোক্না মরী লৈননা ষ্টেট পুলিসকী ক্রাইম ব্রাঞ্চ-ক্রাইম ইনভেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্টনা টুটিকুরিন দিষ্ট্রিক্টকী সথানকুলম পুলিস ষ্টেসনদা থবক তৌবা পুলিস পর্সনেল ৫ ফারে হায়না ওফিসলশিংনা ফেঙদোকখ্রে।

মপা-মচা শিখিবদা রেজিষ্টর তৌখিবা আফ আই আর অদুসু সী বি সী আই দিনা হান্না চিংনিনিংঙাই ওইবা মীশিগী চার্জ ওইনা পাল্লম্বদগী মীহাৎপকী কেস অমা ওইনা ওন্থোকখ্রে হায়রি। ফারবা পুলিস পর্সনেল ৫ অদুদি ইন্সপেক্টর শ্রিধার, সব-ইন্সপেক্টরশিং বালাকৃষ্ণন অমসুং রঘু গনেস, হেদ কন্সটেবল মুরুগান অমসুং কন্সটেবল মুথুরাজনি। সব-ইন্সপেক্টর গনেস মীশিশিং অদুগা মরী লৈননা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অথেংবদা জুলাই ১৬ ফাওবা কষ্টদি রিমান্দ তৌখি। পুলিস কষ্টদিদা মপা-মচা শিখিবগী থৌদোক্তুগী মতাংদা থিজিন্নবা টিম ১২ শেম্লে হায়না সী বি সী আই দিনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী অহানবা প্লাজমা বেঙ্ক হাংদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০২ (এজেন্সি) : নোভেল কোরোনাভাইরস পেসেন্টশিংগীদমক্তা লৈবাক অসিগী অহানবা প্লাজমা বেঙ্ক দিল্লিদা হাংলে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন কেজ্রিৱালনা লাউথোকখ্রে অমসুং মহাক্না কোভিদ-১৯ নারুবদগী ফরবা মীওইশিংদা মীওই কয়াগী থৰায় কন্ননবা পুকচেল চাওনা থোরক্তুনা প্লাজমা দোনেট তৌনবা অপিল তৌখ্রে।

ভর্চ্যুএল প্রেস কনফরেন্স অমদা ৰাঙাঙলদুনা কেজ্রিৱালনা হায়খি মদুদি, দিল্লিদা প্লাজমা বেঙ্ক অমা লৈরে হায়না ঐহাক্না লাউথোক্লি। প্লাজমা বেঙ্ক অসিনা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী প্রোব্লেমশিং সোলভ তৌগনি। কোভিদ-১৯ নাবদগী লায়েংবদা ফরবা মীওইশিংনা থোক্লক্তুনা দোনেসন তৌনরবা মতমদা প্লাজমা বেঙ্ক অসি মায় পাক্কদৌরিবনি হায়নসু আম অদামি পাটি (এ এ পি)গী নেসনল কনভেনর অসিনা ফোঙদোকখি।

কেজ্রিৱালনা প্লাজমা দোনেসনগী মীমমিংশিং রেজিষ্টর তৌনবগী হেল্প লাইন নম্বরসু লোঞ্চ তৌখি। মহাক্না হায়খি মদুদি, লায়েংবদগী ফরবা কোভিদ-১৯গী পেসেন্টশিং ওইরম্বা মীওশিং লায়েংলবা মতুংদা নুমিৎ ১৪ নি মপুং ফারবদি প্লাজমা দোনেসন তৌবা য়াই। প্লাজমা কৎনিংবা মীওইশিং চহী ১৮ অমসুং ৬০গী মরক্তা লৈবা অমদি কে জি ৫০দগী হেন্না লুম্বা ওইগদবনি।

কোভিদ টেষ্ট তৌনবা এম এল এশিংদা হায়খ্রে

পনাজি, জুলাই ০২ (এজেন্সি) : লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী এম এল এ অমা নুমিৎ নিনিগী মমাংদা কোভিদ-১৯ টেষ্টতা পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবা মতুং শগোলশেল নুমিত্তা গোৰা এসেমব্লিগী স্পীকর রাজেস পাটনেকরনা লেজিসলেটর খুদিংমক্তা কোভিদ টেষ্ট তৌথোক্লবা তকশিনখ্রে। তশেংনমক টেষ্ট তৌথোকপা অসিনা অফবা ওইগনি। এম এল এশিংনা য়াম্না তোয়না কোভিদ কেসশিং থেংনবা মফমশিংদা চৎনৈ। মীয়াম্না হীরম কয়াদা এম এল এশিংগী মতেং ফংগনি হায়না থাজনবা লৈ। মরম অদুনা মফম কয়াদা চৎপদা এম এল এশিংনা কোভিদ পোজিটিভ ওইরম্বা য়াবা মীওইশিংগা থেংনরকই হায়না পাটনেকরনা পনাজিদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

এম এল এশিং মশা-মশানা টেষ্ট তৌথোকপিয়ু হায়বসি ঐহাক্কী অপিলনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। গোৰাগী গভর্নর সত্যাপাল মলিক্লা জুলাই ২৭ তগী ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী নোংজু মীফম কৌখিবা মতুং নুমিৎ খরনিখক কান্নরগা স্পীকরনা ৰাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সৰান্টনা মমাংদা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইখিবা বি জে পিগী এম এল এ অদু সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোনশিং ঙাক্লা পাঙথোকখিবা রুলিং লেজিসলেটরশিংগী মীফমদা শরুক য়াখি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

শেনয়াম হায়হৎলম্বগী বুক তৌখ্রে

মুম্বাই, জুলাই ০২ (এজেন্সি) : মুম্বাই ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট লিমিটেদ চল্লাইবদা লুপা ক্রোর ৭০৫ নারোন্দা হায়দৎলম্বগী মরালদা জি ভি কে গ্রুপ ওফ কম্পনিজগী চ্যেরমেন গুনুপটি ভেনকাতা কৃষ্ণ রেদ্দি অমসুং মহাক্কী মচানুপা ওইরিবা এয়রপোর্ট অসিগী মেনেজিং দিরেক্টর জি ভি সঞ্জয় রেদ্দিগী মায়োক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবা নুমিৎ মরিনি মতুং শগোলশেল নুমিত্তা সী বি আইনা মুম্বাই অমসুং হায়দ্রবাদকী মফম কয়াদা থিবা-হুম্বগী থবকশিং পাঙথোকখ্রে হায়না সোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

সোর্সশিং অসিগী মতুং ইন্না থিবা-হুম্বগী থবকশিং অদু রেদ্দি মপা-মচাগী ময়ুমশিংদদি পাঙথোকখিদে। তৌইগুম্বসুং এফ আই আরদা পল্লিবা কম্পনিশিংগী ওফিসশিংদা পাঙথোকখি।

IN THE COURT OF THE CHIEF JUDICIAL MAGISTRATE : IMPHAL EAST

Assam Schedule VIII, Form No. 100 **ANNEXURE-10**
High Court Criminal Process No. 4
CRIL MISC CASE NO. 135 of 2020
REF : FIR No. 104 (3) 2019 PRT PS
U/s 224/225/120-B/34 IPC & 39 UA (P) A. Act

PROCLAIMATION REQUIRING THE APPEARANCE OF PERSON ACCUSED
(Section 82 of the Code of Criminal Procedure)

1. Name, description and address of the accused.

Whereas complain has been made before me that ***1) Thokchom Nando Singh @ Nanao aged 34 yrs., S/o Th. Subol Singh a resident of Khangabok Part-III, Lamlong Bazar, PS Thoubal, Thoubal District, Manipur have committed the offence of above.***

2. Name of the accused

and it has been returned to a Warrant of arrest the re-upon issued that (2) ***Thokchom Nando Singh @ Nanao aged 34 yrs., S/o Th. Subol Singh a resident of Khangabok Part-III, Lamlong Bazar, PS Thoubal, Thoubal District, Manipur*** cannot be found, and whereas it has been show to my satisfaction that the said (2) accused person has absconded/or is concealing himself to avoid the service of the said warrrant.

Proclaimation is hereby made that the said (2) ***Thokchom Nando Singh @ Nanao aged 34 yrs., S/o Th. Subol Singh a resident of Khangabok Part-III, Lamlong Bazar, PS Thoubal, Thoubal District, Manipur is*** required to appear at (3) 10.30 am.

3. Place

before this court to answer the said complaint on the **31st day of July, 2020.**

Dated this 24th June, 2020.

HL-P/7198/27,30 june & 3 july

***Sd/-* CJM/Imphal East.**

IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING

Ref :- Mutation Case No. 603/AS & SO dt. 27/06/2020
1) Nongmaithem Sanaton Singh S/o (L) N. Kamal Singh of Kakching Turel Wangma. 2) -do- Arjun Singh S/o -do- of -do-
-Vrs-
-do- Kamal Singh S/o Modhol Singh of Kakching Khullel.

ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯠ / **NOTICE**
Dated, 02/07/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংনা ককচীং তহশিল খুন নং ৭০ - নুঙ্গু সনামহি পাট্টা নং ১৪০ অনৌবা, দাগ নং ১১১৯, এরিয়া ১.৮৮ হেক্তর ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার নোংমাইথেম কমল সিংহ পীং মৃ: মোদোল সিংহ সাং ককচিং খুল্লেন অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মীং ককথৎপীরগা পিটিস্নরশিংগী মীংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অদুনা ফৌরেল লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই, কেস মখা চথরগনি।

HL-P/6246/03 ***Sd/-* Asst. Survey & Settlement Officer, Kakching**

IN THE COURT OF SUB - DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

Ref : Mise Case No.121/SDC/M, dt. 2/7/2020
Mohammad Abdul Rahaman S/o (L) Mohammad Abdul Wahap of Kwakta Sevla.
-Vs-
(Late) Md. Abdul Wahap S/o (L) Angou Miya of Kwakta Sevla.

ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯠ / **NOTICE**
Moirang, the 2nd July, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৯১-ক্বাক্তাদা লৈবা সী এস দাগকী নং ৫৪৪৮/৭২০৯, এরিয়া ০.০২ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী দাগতা দোখোন তৌরম্বা মীওই অসি মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: ওইখ্রবা দোখোনদার অসিগী লম অসি মথক্তা পীরিবা দরখাষ্টকারি অসিগী মীংদা ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ (তরেৎ) নি মনুংদা উক্ত কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। করিগুম্বা আপতি তৌরদ্রবদি মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

HL-P/7241/3 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector, Moirang**

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

Ref :- Mut. Case No. 199/SDC/IW -L/2020
Khumanthem (N) Irengbam (O) Sulochana Devi W/o (L) Irengbam Dorendra Singh of Lamdeng Khunou Mamang Leikai. *...Petitioner*
-Vs-
(Late) Irengbam Dorendro Singh S/o (L) Gokulchandra Singh of Lamdeng Khonou. ... O.P. Party

ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯠ / **NOTICE**
02/07/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার ইরেংবম দোরেন্দ্রো সিংহ পীং মৃ: গোকুলচন্দ্রা সিংহ, সাং লমদেং খুনৌগী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ১০৫ - লমদেং খুনৌগী অনৌবা পাট্টা নং ৪২, দাগ নং ১১৪৭ অমসুং এরিয়ানা মৃ: পাট্টাদারগী শরুক ০.৮৩৫ চাউবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/7242/03 ***Sd/- BC to SDC-IW/Lamsang***

ꯍꯤꯗꯥꯛꯂꯥꯡꯗꯥꯟ ꯊꯕꯛ/MEDICAL JOB
Urgently required
4 Exp. Lab. Technician
Minimum 3 yrs with Comp. knowledge
Omega Diagnostic Centre
Opp. ARIES RESTAURANT
URIPOK IMPHAL
Contact : 8415945108
HL-P/7226/1,2,3,4,5,6,7

IN THE COURT OF SUB - DEPUTY COLLECTOR, POROMPAT, IMPHAL EAST, MANIPUR

Ref : Mutation Case No.192/SDC/P of 2020
Laikhuram Loitang Devi W/o (Late) L. Kumar Singh of Kongpal Khaidem Leikai. - Petitioner
-Verses-
Laikhuram Kumar Singh (Co-Pattadar No. 3) S/o (L) L. Ibotombi Singh of Kongpal Khaidem Leikai. - O.P.

ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯠ / **NOTICE**
Porompat, the 2nd July, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি :- Imphal East Porompat Circle গী Village No. 22 - Khaidem Leikai গী পাট্টা নম্বর ৩ (অরিবা), ৯৭ (অনৌবা), সী এস দাগ নম্বর ৩৫, an area 0.24 (point two four) acre of Ingkhol Class লম অসিগী Co-Pattadar No. 3 (three) অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নর অসিনা লৈখিদ্রবা Co-Pattadar No. 3 (three) গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা এস দি সী পোরোম্পাৎ কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৰাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

HL-P/7243/3 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector, Porompat, Imphal East**

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

Ref :- Mut. Case No. 200/SDC/IW -L/2020
1) Irengbam Jamuna Devi W/o (L) Kamini Singh of Lamdeng Khunou Mamang Leikai (South 0.346)
2) Irengbam Inaobi Devi D/o (L) Yaima Singh of Lamdeng Khunou, Lamsang (North 0.379) *...Petitioners*
-Vs-
(Late) Irengbam Yaima Singh S/o (L) Gulamjat Singh of Lamdeng Khunou. ... O.P. Party

ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯠ / **NOTICE**
02/07/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার ইরেংবম য়াইমা সিংহ পীতা মৃত গুলামজাৎ সিংহ, সাং লমদেং খুনৌগী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ১০৫ - লমদেং খুনৌগী অনৌবা পাট্টা নং ৪২, দাগ নং ১১৪৭, এরিয়া ০.৭২৫ চাউবা ইঙ্খোল অসি দংকারি নং ১না ০.৩৪৬ খাদা অমসুং দংকারি নং ২না ০.৩৭৯ অৰাংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/7242/03 ***Sd/- BC to SDC-IW/Lamsang***